লোক সভা মীখল ২০১৯

# অনীশুবা তাঙ্কক্তা ঙসি ষ্টেট ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অমদা সিট ৯৫গী ভোট থাদনরগনি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ***
ষ্টেট ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অমনা লোক সভা মীখলগী অনীশুবা তাঙ্কক্তা সিট ৯৫দা মখোয়গী মীহুৎশিং খন্নবা ঙসি মোট থাদনরগনি। তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাংথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী অহানবা তাঙ্ককতা ষ্টেট ১৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অনীদা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৯১গী ভোট থাদনখ্রে।

অনীশুবা তাঙ্ককতা ঙসি ভোট থাদগদৌরিবা ষ্টেটশিং অদুদি, অসাম, বিহার, জম্মু এন্দ কাস্মির, করনাতকা, মহারাষ্ট্র, মণিপুর, ওরিষ্যা, তামিল নাদু, উত্তর প্রদেশ, বেঙ্গল, ছতিসগড় অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি পুদুচেরিনি। ভোট থাদবগী মতম অয়ুক পূং ৭তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবনি।

অনীশুবা তাঙ্কককী মীখল অসিদা ভোট থাদগদৌরিবা ষ্টেট অমসুং কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি অসামদা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫, বিহারদা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫, জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ২, করনাতাকাদা ১৪, মহারাষ্ট্রদা ১০, মণিপুর (ইন্নর মণিপুর)দা ১, ওরিষ্যাদা ৫, তামিল নাদুদা ৩৮, উত্তর প্রদেশতা ৮, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৩, পুদুচেরিদা ১, ছতিসগড়দা ৩নি।

তামিল নাদুগীদি ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ২– জে জয়ললিতা অমসুং এম করুনানিধি লৈখিদ্রবগী তুংদা মীখল পাংথোকপা মসিনা অহানবনি। হন্দক্তা য়ান্নবা শেল, সনা অমসুং অতৈ মমল তাঙবা পোৎলম কয়া ইলেক্সন কমিসননা ফাখিবদগী ষ্টেট অসিগী ভেলোর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মীখল য়েথোকখ্রে।

ত্রিপুরা ইষ্ট পার্লিয়ামেন্টিরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মীখলসু লো এন্দ ওর্দর ফিভম ফৎতবদগী ইলেক্সন কমিসননা এপ্রিল ২৩দা পাংথোক্নবা য়েথোকখ্রে।

ওরিষ্যাদদি অনীশুবা তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫গা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৩৫গা মতম অমত্তদা ভোট থাদনগনি। পূন্না লোক সভা সিট ৫৪৩গী মীখল অসি তাঙ্কক ৭তা পাংথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক এপ্রিল ১১দা ভোট থাদনখ্রে। অনীশুবদগী ৭শুবা ফাওবগী তাঙ্ককশিং অদুদি মথঙশিংনা হয়েং এপ্রিল ১৮, এপ্রিল ২৩, এপ্রিল ২৯, মে ৬, মে ১২, অমসুং মে ১৯নি। মে ২৩দা ভোট মশীং থীগনি।

# কাষ্টতা মীৎয়েঙ থল্লগা প্রসিদেন্ট কোবিন্দ খনখিবনি হায়খিবা অশোক গেহলোতকী ৱাঙাংনা বি জে পি শাওহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ***
কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর অশোক গেহলোতনা বি জে পিনা কাষ্টতা মীৎয়েং থল্লগা রাম নাথ কোবিন্দবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট খনখিবনি হায়বদগী ঙসি পার্টি অসি অচৌবা ৱাথোক অমদা ঈরাক্লখ্রে। কোংগ্রেস লূচিংবা অদুগী ৱাঙাং অদু এন্টি–দলিট, এন্টি–পোর, এন্টি–কনষ্টিট্যুসনেলনি হায়না বি জে পিনা ফোংদোকখ্রে অমসুং লাল্লে হায়জনবা লোয়ননা অকনবা থবক লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা অশোক গেহলোতনা জয়পুরদা পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা গুজরাতকী ২০১৭ এসেমব্লি মীখল মমাঙদা গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী তাঞ্জাগী মতাংদা বি জে পিনা অৱাবা পোকখি অমসুং ভোটশিং ফংনবগী ৱাখলদা প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট খনখিবনি হায়খি।

মখোয়না গুজরাততা গভর্ণমেন্ট অদু শেন্বা ফংলরোইদ্রা হায়না অৱাবা পোকখি। অদুদগী অমিত শাহনা মাগী খূৎলাই অদু খনখি– কাষ্টকী ভোটরশিং ফংনবা কোবিন্দজিবু প্রসিদেন্ট ওইহনখিবনি। অদবানিজিবু প্রসিদেন্টকী লমজেল ৱাংমদা থল্লমখ্রে। মিষ্টর অদবানিনা মাগী ফংফম থোকপদু ফংগনি হায়না লৈবাকশিংনা অশা তৌখিবনি হায়না ঐহাক্লা ৱারেং অমদা পাখি হায়না পাউমীশিং অদুদা গেহলোতনা হায়খি।

মহাক্কী ৱাঙাং অদুগী পূং খরগী মতূংদা দিল্লিদা পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা বি জে পিনা– লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা কনষ্টিট্যুসনেল ফঙ্কসনরি অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা য়ান্না থাক নেম্বা মওংদা চৈরি। লাইরবা ইমূং অমদগী অমসুং দলিত কম্যুনিটিদগী লাকপা মীওই অমগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈৱ্রা হায়খি।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দ থাক ৱাংনা মতিক চারাবা মীওই অমনি। মসি কন্দেম তৌফম থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনি। মখোয়না লাল্লে হায়জরক্কনি অমসুং অকনবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌরি হায়না বি জে পিগী জি ভি এল নরসিমহারাওনা হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর’স ওফিসনা পাউগী এজেন্সিদা মদু মিষ্টর গেহলোতকী মরান্নাইগী মত নৎতে। মহাক্লা পাখিবা ৱারেং অমদগী লৌথোক্লগা মহাক্লা ৱাফমদু হায়খিবনি হায়খি।

মদুগী মতূংদা কোন্না মিষ্টর গেহলোতনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবশিং অদু মেদিয়া হাউস খরনা লান্না ইখিবসি য়ান্না লাইবক থীবনি হায়না ত্বিট তৌখি।

প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াবু ঐহাক্লা খ্বাইদগী ৱাংনা ঈকাইখুম্নে। ইশামক্কী ওইনা ঐনা রাম নাথজিবু উন্নখ্রে অমসুং মহাক্কী ইচম চম্বা অমসুং নোল্লুকপা অদুনা ঐবু শুমহৎখি হায়খি।

রাম নাথ কোবীন্দনা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া ওইনা জুলাই ২০১৭দা প্রনাব মুখরজিগী মহূৎ শিলহৌখিবনি। ১৯৯৭দগী ২০০২ ফাওবা প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা আর কে নরায়ননগী মতুংদা মহাক্লা অনীশুবা দলিটপ্রসিদেন্টনি।

# নহাক লৈবাকসিগী পি এম নি, গুজরাতকী নৎতে হায়না মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা নরেন্দ্র মোদিদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ***
নোং অমসুং নোংলৈ–নুংশিৎতা গুজরাততা শিখিবা মীওইশিংগী ইমূং–মনূংশিংগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কম্পেন্সেসন পীগনি লাওথোকখিবগী মিনিৎ খরগী তূংদা মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা মহাক্কী ষ্টেটতসু নোং অমসুং নোংলৈ–নুংশিৎতা মীওই কয়া শিখিবা অদু পুথোক্কুনা নহাক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনি। গুজরাতকী নৎতে হায়খ্রে।

ত্বিটরদা কমল নাথনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লকখিবা অদুগী মতূং থুনমক প্রাইম মিনিষ্টর’স ওফিসনা ত্বিটশিংদা মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, মণিপুর অমসুং লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোং অমসুং নোংলৈ–নুংশিৎনা শোকহল্লবা শিংগীদমক মান্নবা কম্পেন্সেসন লাওথোকখি।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খাক লাওবগা লোয়ননা নোং অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা ষ্টেট কয়ামরুবু খুদোঙথিবা তাহনখি অমসুং পূন্না মীওই ২৫ শিখি। গুজরাত অমসুং রজস্থানদা মীওই ১০ শিখি। মধ্য প্রদেশতা মীওই ১৫ শিখিবনি।

ঙসি অয়ুক ত্বিটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা গুজরাততা শিখিবশিং অদুগী ইমূং–মনূংশিংগীদমক লূপা লাক্ষ ২ অমসং শোকখিবশিংদুগীদমক লূপা লিশিং ৫০গী কম্পেন্সেসন পীনবা লাওথোকখি।

মধ্য প্রদেশতা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লূচিংলিবা কমল নাথনা ‘মিষ্টর মোদি নহাক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনি অমসুং গুজরাতকী নৎতে। মতম নৎতবা নোং অমসুং নোংলৈনুংশিৎনা মীওই ১০ হেন্না শিরে হায়না মধ্য প্রদেশনসু হায়রি, অদুবু নহাক্কী ৱাখল গুজরাত খক্তদা লৈরব্রা, মসি নহাক্কী পার্টিগী গভর্ণমেন্ট নৎত্রবা ফাওবদসু মফম অসিদসু মী লৈরি হায়না অকনবা ৱাঙাং অমদা ত্বিট তৌখি।

মদুগী মতূং থুনমক প্রাইম মিনিষ্টর’স ওফিসনা ত্বিটশিংদা অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্লবশিংগীদমক কম্পেন্সেসন লাওথোকখি। শোক্লবা মীওইশিংদা পীব য়াবা মতেং পুন্নমক পীনবা গভর্ণমেন্টনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। ফিভম অদু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়খি।

# অৱাং–নোংচুপ পাকিষ্টানদা পূং ১৫ নোংমৈ কাপ্নবদা পুলিস ওফিসার অমা, টেরোরিষ্ট ৫ শিখ্রে

***পেসাৱার, এপ্রিল ১৭ঃ***
পাকিষ্টানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অৱাং–নোংচুপ থংবা পেসাৱার সিটিগী রেসিদেন্সিয়েল কম্পাউন্দ অমগী মনূংদা টেরোরিষ্টকী লোৎফম অমদা লান্দাবদা টেরোরিষ্টশিং অদুগা পূং ১৫ নোংমৈ কাপ্নবদা পুলিস ওফিসার অমা অমসুং য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্টনি চিংনবা মীওই ৫ শিখ্রে।



হয়াতাবাদ কৌবা মফমদা লৈবা মথোল ৩গী রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমগী মনূংদা লোৎলিবা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তঃ নিংথৌকাবগী নুমিদাংদগী হৌনা চথরকখিবা ওপরেসন অদুদা অতোপ্পা পুলিস ওফিসার ৩সু শোকখি।

জজ অমা অমসুং এদিসনেল ইনস্পেক্তর জনরেল ওফ পুলিস অমদা চথরকখিবা এটেকশিংগীদমক টেরোরিষ্টনি চীংনবা মীওইশিং অদু ফাবা পাল্লিবনি হায়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হায়খি।

ওপরেসন অদু মথোল ৩গী রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অদুগী মনূংদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অমদা য়ুমফম ওইরগা চথখিবনি। ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিং অদুগা নোংমৈ কন্না কাপ্লখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা বিল্ডিং অদুগী মরুওইবা বাউন্দরি ৱালশিং অদু থুগাইখি অমসুং বিল্ডিং অদুগী মনূংদা চংখি।

মফম অদুদা লৈরমখিবা চিংনবা মীওইশিং অদুদা সেরেন্দর তৌনবা খংহনখি অদুবু মদুগী মহুত্তা মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সতা নোংমৈ কাপসিল্লকখি। মীওইশিং অদুনা গ্রেনেদশিংসু লংশিল্লকখি মদুদা পুলিস ওফিসার অমা শিখিবনি হায়না পুলিসনা হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াগী মীখলদা জোকো ৱিদোদোনা প্রসিদেন্সি ফংনবগী লম্বীদা লৈরে, ভোটকী চাদা ৫৫ রোম ফংলে



*২০১৪ মীখল মতুংদা প্রসিদেন্ট–ইলেক্ট জোকো ৱিদোদো (য়েৎ)কা লেঙ্গোনরিবা মাগী পোলিটিকেল রাইবেল প্রেবোৱো সুবিয়ান্টো*

***জাকারতা, এপ্রিল ১৫ঃ***
মালেমগী মনূংদা সুপ্নগী নোংমখক্তা পাংথোকপা খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন অমদা ঙসি ইন্দোসেসিয়াগী মীখল পাংথোকখ্রে।

মীখল অসিদা ভোটরশিংনা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোকো ৱিদোদো অমসুং হান্নগী জেনরেল প্রবোৱো সুবিয়ান্টোগগী মরক্তা অমা খনবা তারি। প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা হান্নগী স্পিসেল ফোর্সেস কমান্দর প্রেবোৱো সুবিয়ান্টোবু চাদা ৬কী মার্জিনদা মহাক্লা মায়থিবা পীরমখিবা ২০১৪গী মীখল অদুগা মান্নগনি হায়না অশা তৌরি।

প্রসিদেন্সিয়েল মীখল অসিগা লোয়ননা মতম অমত্তদা লৈবাক অসিগী সিট ৫৬০গী নেসনেল পার্লিয়ামেন্ট, দ পিপলস রিপ্রজেন্টিটিব কাউন্সিলগীদমকসু কেন্দিদেটশিং অদুদগী ভোটরশিংনা খনগনি।

মীখল অসিদা ভোট থাদবা য়াবা ভোটর মিল্লিয়ন ১৯২ হেনবা অমসুং খন্নবগীদমক কেন্দিদেট ২,৪৫,০০০ থোক্লকপগা লোয়ননা মীওইবগী ইতিহাসত্তা ইন্দোনেসিয়াগী মীখল অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শীংননিঙাই ওইবা মীখলশিংগী মনূংদা অমনি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

মীখল অসিদা অরানবা তৌবগী থৌদোকশিং হন্থহন্নবা পোলিং ষ্টেসনশিংদা থল্লিবা ভলন্টিয়ার ১০,০০০ হেনবগা লোয়ননা ভোট অসিবু ঙাক্নবা ঈথৎ ১৭,০০০কী লৈবাক অসি মফম পুন্নমক্তা পেরা মিলিটরি ওফিসার মিল্লিয়ন ১.৬কী মথক্তা পুলিস অমসুং মিলিটরি পার্সোন্নেল ৩,৫০,০০০রোমসু থাদোক্লি।

এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপদা খা এসিয়াদা লৈবাক অসিনা মীখলদা খ্বাইদগী হেন্না ভোটরদা শেন পীবগী চৎনবী লৈ। মীখল অসিগীদমক থা ৬কী কেম্পেনদা ভোটরশিংদা অয়াম্বা মতমদা পীনরিবা শেল য়াওবা ইনভেলপশিং অদু য়াল্লবা মশীংনি।

ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভোট থাদবা লোয়রবা পূং ২ রোমগী তূংদা একজিট পোলশিং লাক্কনি। মদুগী মতূংদা অন–ওফিসিয়েল ওইবা মশীং মথঙ–মথঙ পিরক্কনি। মায় পাক্লবা প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট অদু নুমিৎসিগী লোয়শিলকপদা খঙলবা য়াই। অদুবু অরোইবা ওফিসিয়েল রিজল্টশিং অদুদি জেনরেল ইলেক্সন কমিসননা মে থাদা ফোঙগনি।

মালেমগী মনূংদা ৩শুবা খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসিগী মীখল অসিদা ৱোকো ৱিদোদোবু অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপা য়াবগী লম্বীদা লৈরে। পোলষ্টরশিংনা হান্নগী জেনরেল অমা ওইরিবা মাগী লম্বা প্রবোৱো সুবিয়ান্টোদগী মানা হেন্না মাঙজিন থারে হায়রি।

পোলিং ষ্টেসনশিংদা খোমজিনবা দাটাদা য়ুমফম ওইরগা সাইফুল মুজানি রিছার্স সেন্টর, ইন্দো বেরোমিটর অমসুং ইন্দিকেটর পোলিটিক ইন্দোনেসিয়ানা প্রোবোৱো সুবিয়ান্টোনা ভোটকী চাদা ৪৪ ফংবদা ৱিদোদোনা চাদা ৫৫ রোম ফংলে হায়রি।

# সুদানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট বাসির জেলদা থমখ্রে, প্রোটেষ্টরশিংনা সিভিলিয়ান গভর্ণমেন্ট দিমান্দ তৌরি

***খারতুম, এপ্রিল ১৭ঃ***
সুদানগী মফম লৌথোকখ্রবা প্রসিদেন্ট ওমর অল–বাসির লৈবাকসিগী মিলিটরি লৈঙাকপশিংনা জেলদা থমখ্রে হায়না ঙসি মহাক্কী ইমূংগী লিখুল অমা ফোঙদোকখ্রে। চৈরকসিদা সিভিলিয়ান গভর্ণমেন্টতা থুনমক ওন্থোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা আর্মি কমপ্লেক্সশিংগী মপান্দা দেমোষ্টেটরশিংনা ফমদুনা লৈরিবদু অদুমক লেঙদনা লৈরি।



বাসিরগী চহী ৩০গী লৈঙাক অদু হৌখিবা চয়োলদা অঙকপা মওংদা লোইশিনখিবদুগী মতূং মহাকপু ঙরাং লৈবাকপোকপগী অথেঙবদা খারতুমগী কোবের জেলদা থমখ্রে হায়না সেক্যুরিটিগী ওইবা মরমদগী মশাগী মমিং ফোঙদোক্তবা লিখুল অমনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওমর অল–বাসিরবু অশোয়–অঙাম থোক্লোইদবা মফম অমদা থম্লে হায়না লৈবাকসিগী অনৌবা লৈঙাকপশিং অসিনা হায়খিবা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়শিনখিবা মতূংদগী মশাগী চহী ৭৫ শুরবা বাসিরগী লৈফম খংখিদ্রবনি।

বাসিরবু ফাজিনদুনা থল্লবা ফাওবদসু দিসেম্বরদগী হৌনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খোংজং চংশিল্লক্লিবা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু পেলহনবা ঙমখিদে। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা খারতুমগী আর্মি হেদক্বার্টরস মমাঙদা নুমিৎ কয়ানি কেম্প তৌদুনা লৈখি।

প্রেজিক্যুটর জেনরেল ওমের অহমেদ মোহমেদ মফম লৌথোকপা য়াওনা প্রোটেষ্টরশিংদা দিমান্দ খরা য়াখ্রে। অদুবু মখোয়গী ইহৌ খোঙজং অদু লান্না পুখিগদ্রা হায়না মখোয়না কিরি। ঐখোয়দা নোংমৈ কাপখ্রে। ঐখোয় কয়া অমা শিখ্রে। মসি ঐখোয়না পাল্লিবা মরম অদুগীদমক্লি হায়না পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা প্রোটেষ্টর ফাদিয়া খলাফনা হায়খি।

দিসেম্বরদগী চথবা প্রোটেষ্ট অসিদা হীংশাগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৬ শিখ্রে।

হৌখিবা শাগোলশেলদা লৈঙাক পায়শিনখিবা আর্মিনা চহী অনী লৈবাক অসি মিলিটরি কাউন্সিল অমনা চল্লাইগনি হায়খি। মদু প্রোটেষ্টরশিংনা য়াখিদে।

## ম্যান্মার ন্যু য়ারদা বন্দি ৯০০ হেন্না থাদোকখ্রে

***য়াঙ্গোন, এপ্রিল ১৭ঃ***
ম্যান্মারনা লৈবাকসিগী মহৌশাগী ন্যু য়ারগী অহানবা নুমিৎতা প্রসিদেন্টনা এম্নেষ্টি অমা লাওথোকখিবগী তূং ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা জেলশিংদগী বন্দি ৯০০ হেন্না থাদোকপা হৌখ্রে।

মীয়ামগী শান্তি অমসুং নুংঙাই–য়াইফনবগীদমক অমসুং মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাখল্লোনদা ম্যান্মার ন্যু য়ার থৌরমগী হৌন–লোনচৎ খংবগী খুদম অমা ওইনা ফোরেনর ১৬ য়াওনা বন্দি ৯৩৫৩ ঙাকপীখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট ৱিন ম্যিন্টনা হায়খি।

ঙাকপীরগদবা লৈহৌরিবা বন্দিশিং ওথোরিটিজনা স্ক্রুটিনি মখা চত্থরি হায়না মহাক্কী ফেসবুক পেজদা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্লা হায়খি। জেল কয়ামরুমনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতূং বন্দিশিং থাদোকপা হৌখ্রে। বন্দিশিং অদুগী মনূংদা পোলিটিকেল বন্দি ২ য়াওরি হায়না এসিষ্টেন্স এসোসিয়েসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজিনরসকী ওং ময়ো চোনা হায়খি।

# পি এম মোদি খ্বাইদগী হেন্না এন্টি–নেসনেল ওই, লৈবাকসিবু মচেৎ অনী থোক্লা খায়দোকই ঃ রাহুল গান্ধী

***কান্নুর (কেরেলা), এপ্রিল ১৭ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু খ্বাইদগী হেন্না এন্টি–নেসনেল ওইবা মীওইনি হায়দুনা ঙসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা চৈখ্রে অমসুং লৈবাক অসিবু মচেৎ অনী থোক্লা খাইদোকপগী মরান শীখ্রে।



কোংগ্রেস এন্টি–নেসনেল ওইরক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা শীরকখিবা মরান অদুগী পাউখুম পীরদুনা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী অরীবা অচৌবা পার্টি অসিনা লৈবাকসিদা লান্দারকপা ফোর্সশিংবু থেংনবগী অখন্নরবা রেকোর্দ অমা লৈ হায়খি।

অসিগুম্বা ফোর্সশিং অসি থেংনবদা কোংগ্রেস ৱার্করশিং লিশিং কয়াগী থৱাই থাদোকখ্রবনি। ঙসি খ্বাইদগী হেন্না এন্টি–নেসনেল ওইবা থবক অদু লৈবাক অসিবু মচেৎ অনী থোক্লা খাইদোক্লিবা মোদিগী থবক অদুনি হায়না মহাক্কী নোংমা শাংবা কেম্পেন হৌদোকপদা কোংগ্রেস চীফ অদুনা হায়খি।

এগ্রিকলচরেল সিষ্টেম কাং–খোঙ চাইহন্দুনা লৌমীশিং সুইসাইদ তৌহল্লিবসি মোদিগী অতোপ্পা এন্টি–নেসনেল ওইবা থবক অমনি। নহাশিংনা থবক ফংদ্রিবা অসিসু অতোপ্পা এন্টি–নেসনেল ওইবা থবক্লি। হীরম পুন্নমক অসিদা মোদি থবক অমত্তা তৌদ্রবা মীওই অমনি হৌজিক মহাক্কী পাউখুম পীবা মতম ওইরে হায়না রাহুল গান্ধীনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

২০১৯ লোক সভা মীখল অসিগী মরুওইবা হীরম ৩দি লৈবাক্কী ইকোনোমী মাঙ–তাকপা, করপসন অমসুং লৌমীশিংগী অৱাবা অসিনি হায়রদুনা রাহুল গান্ধীনা মথঙগী গভর্ণমেন্ট অদু শেন্নবা ঐখোয়না মীৎয়েং থল্লি হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা মীখল থেংননবা কেরেলাগী ৱায়ানাদ লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মনূংদা লৈবা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫দা কোয়না চৎকদৌরি। মহাক উত্তর প্রদেশতা মাগী মহৌশাগী অমেথি লোক সভা সিটতগীসু কন্টেষ্ট তৌরি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-99**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | 2 | | 3 | 6 | | |
| | 5 | | 1 | 6 | 8 | | | |
| 3 | | | 4 | | | 2 | | 8 |
| 8 | | 9 | | | | 5 | 6 | |
| | 2 | 3 | | | 6 | | | 4 |
| | 6 | | 8 | | 4 | | | 2 |
| | 8 | | | 4 | | | 2 | |
| 6 | | 4 | | | | 3 | | |
| 2 | | | | 1 | | | 8 | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 19/02/19
Sl. No. : 1283
Valid : 18/02/19
Sl. No. : 0581
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 30/03/19
Valid : 14/03/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon

**সনা–সুদোকু – ৯৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 9 | 5 | 1 |
| 2 | 6 | 3 | 9 | 1 | 5 | 4 | 7 | 8 |
| 9 | 1 | 5 | 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 2 |
| 1 | 8 | 6 | 7 | 2 | 3 | 5 | 9 | 4 |
| 3 | 5 | 2 | 6 | 4 | 9 | 8 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 4 | 1 | 5 | 8 | 3 | 2 | 6 |
| 8 | 4 | 9 | 5 | 7 | 1 | 2 | 6 | 3 |
| 5 | 2 | 1 | 8 | 3 | 6 | 7 | 4 | 9 |
| 6 | 3 | 7 | 2 | 9 | 4 | 1 | 8 | 5 |